# লোকদাউননা মরম ওইরগা পন্দুনা লৈরিবা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং বেঙ্গালুরুদা তেক্তা কায়দনা লৈরি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা লৈবাক শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌখ্রবা মতুং মণিপুরদা হল্লকপা নংহৌদ্রবা মালেমগী জুনিয়র মেন্স বেদমিন্টনগী নম্বর টু শান্নরোয় ওইরিবা মণিপুর মচা ইন্দিয়াগী মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং বেঙ্গালুরুদা লৈবা প্রকাস পদুকোন বেদমিন্টন একাদেমিনা পীবা এপার্টমেন্টদা তেক্তা কায়দনা লৈরি।

চহী অসিগী মার্চ ২৫দগী ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনরকপগী খোঙথাং ওইনা লৈবাক শীনবা থুংনা লোকদাউন থমখিবনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান জুনিয়র শান্নরোয় ওইরিবা অদুগা মালেমগীনা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং বেঙ্গালুরুদা লৈবা প্রকাস পদুকোন বেদমিন্টন একাদেমিনা পীবা এপার্টমেন্ট অমদা তেক্তা কায়দনা লৈরি হায়না ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা পাউচে অমগা ৱারী শানবদা মশামক্না ফোন্দা ফোঙদোরকখ্রে।

বেঙ্গালুরুদা মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা লৈরিবা প্রকাস পদুকোন বেদমিন্টন একাদেমিনা পীবা এপার্টমেন্ট অদুদা মহাকপু এপার্টমেন্ট অদুগী ওইনা থম্বা সেপ (চাক-এঞ্চাং থোংবা মী) অনীনা মহাক্কী অৱাৎ-অপাশিং অদু য়েংশিন্দুনা লৈরি।

মহাক্না লৈরিবা এপার্টমেন্ট অদুগী অনকপদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা বেদমিন্টন শান্নরোয় লক্সসেন অমসুং চিরাক সেনগী ময়ূম লৈবা মরম্না মখোয়গসু নক্লনা লৈবদগী করিগুম্বা লোকদাউন মনুং অসিদা অৱাবা অমত্তা থেংনদে হায়না মৈরাবনা ফোঙদোরকখি।

মফম অদুদা লৈরিবা লোকেলগী কোচশিংনা মঙোন্দা ফোনগী খূত্থাংদা মহাক্কী ফীভম করম তৌরিবগে হায়বগী মতাংদা পাউ তোয়না ফাওরক্তুনা লৈরি।

পনবা য়াবদি মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাং হৌখিবা থাগী ২৬তা ইম্ফালদা য়ৌরক্লবগী ফ্লাইট বুক তৌখ্রবা মতুং নোংমা ৱাৎলিঙৈদা লৈঙাক্কী ওইবা লৈবাক শীনবা থুংনা লোকদাউন লাকপদগী ইম্ফাল য়ৌরকপা ঙমখিদবনি।

মশাগী চহী ১৭তা ঙাইরিবা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংগীদমক্তা একাদেমি অদুগী সেপ অনীনা মহাক্কী থোঙজিলদা নোংমগী চংদ্রবা য়াদ্রবা চান-থক্লবগী পোৎলমশিং নুংতিগী পীদুনা মতেং পাংলি।

মৈরাবনা ফোনদা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মহাক্কী কা অদুবু নুমিৎ খুদিংগী শেংদোকপা লাক্লম্বা সেবারি অদু লোকদাউননা মরম ওইরগা লাকখিদবদগী মহাক্না মশাগী কা অদু শেংবা-খোৎপা অমদি চামথোকপগী থবক তৌজরি হায়না ফাগি ওইনা ফোঙদোরকখি।

লোকদাউন মনুংদা মৈরাবা লুৱাংনা মহাক্কী কাদা তোঙান তোঙানবা লাইরিকশিং পাবনা মহাকপু মতম মাঙহন্দবগী মওংদা থল্লি। লোয়ননা মহাক্কী অপোকপা হৌজিক হৌজিক মণিপুর স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী বেদমিন্টন কোচ অমা ওইবদা নত্তনা নেসনল প্লেয়রসু ওইরম্লবা রোমেস লুৱাং ফোনদা নুমিৎ খুদিংগী ৱারী শানদুনা মৈরাবগী হকচাং ফিট ওইবগী মতাংদা চেকশিন্না লৈনবা ৱাফম কয়া থল্লি হায়খি।

ইম্ফালদগী রোমেস লুৱাংনা ফোঙদোরকখিবদা মচানুপা মৈরাবা মশাগী ওইবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা ঙম্বা নহা অমা ওইবনা কা হেন্না চিংনবা লৈত্রবসু বেঙ্গালুরুদা লৈরিবা এপার্টমেন্ট অদুদা চেকশিন্না লৈবা অমদি অয়ূক অমদি নুংথিলদা মপান থোক্ত্রবসু মশাগী ওইবা ফিজিকেল এক্টিভিটিশিং পায়খৎনবা পাউতাক কয়া পীরি হায়খি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা চহীদা মৈরাবা লুৱাংনা ইন্টরনেসনল টাইটল অহুম লৌদুনা মালেমগী থাক্তা মহাক্কী রেঙ্কিং অদু অনীশুবা থাক্তা য়ৌরকখিবনি। মৈরাবনা কোরিয়া জুনিয়র ওপন ইন্টরনেসনল চেলেঞ্জ মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা টাইটল লৌখি। মদুগী মতুং দিসেম্বরথাদা বাংলাদেশ জুনিয়র ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন সেরিজ টাইটল লৌখিবগা লোয়ননা রসিয়াগী সেন্ট পিটর্সবর্গতা পাঙথোকপা রসিয়ন জুনিয়র ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্টকী টাইটলসু লৌবা ঙমখি। চহী অসিগী মার্চ ১৭তা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী খ্বাইদগী নৌবা রেঙ্কিং লিষ্ট থোরকপদা মৈরাবা লুৱাং ৱর্ল্ড নম্বর টুগী থাক্তা য়ৌবা ঙমখিবনি।

মেগনস কার্লসন ইনভাইটেসনেল ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট

# চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর দিং লিরেন অমসুং রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ইয়ান নেপোমনিয়াচি ৬শুবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী): মালেমগী চেছ মশান্নগী নুপাগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা নোর্ৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসননা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা শান্নবগী লম্দা মালেম শীনবা থুংনা অথিংবা অমদি য়েথোকপা কয়া লৈখ্রবসু ওনলাইনগী খূত্থাংদা মহাক্কী মমিংদা য়ু এস দোল্লর ২৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা মেগনস কার্লসন ইনভাইটেসনেল ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট শীন্দুনা মালেমগী অতোপ্পা মকোক থোংবা শান্নরোয় ৭কা লোয়ননা লম্বা তৌনরকপদা ঙরাং অথেংবদা লোইশিনখিবা তরুকশুবা রাউন্দদা চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর দিং লিরেন অমসুং রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ইয়ান নেপোমনিয়াচি মখোয় মখোয়গী মেচশিং মায় পাকপা ঙমখ্রে।





চাইনাগী দিং লিরেননা ঙরাং তরুকশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী গ্রান্দমাষ্টর মেক্সিম ভেসিয়র লাগ্রেবকা লম্বা তৌনখি। শান্নরোয় অনীগী ঈ এল ও রেটিং য়েংনরুবদা দিং লিরেননা ২৮৩৬তা লৈখি। অদুগা মেক্সিম ভেসিয়র লাগ্রেবনা ২৮৬০দা লৈদুনা রেটিং অদু য়েংনবদা মেক্সিমনা ফজবা খরা হেনখি।

ঙরাংগী গেম মরিগী তরুকশুবা রাউন্দ অদুগী অহানবা গেম অদুদা মেক্সিম লাগ্রেবনা অঙৌবা মচু পায়রগা চাইনাগী দিং লিরেনগা লম্বা তৌনরকপা অদুদা দ্রো চৎখি। অনীশুবা গেম অদুসু দিং লিরেননা অমুক অঙৌবা মচু পায়রগা লম্বা তৌনরকপদা মায় পাকপা ঙম্নদবদগী দ্রো চৎখি।

অহুমশুবা গেম অমদি মরিশুবা গেম অদুসু দ্রো চৎখিবদগী পোইন্ট ২/২ মান্নদুনা লৈরকপদগী টাই ব্রেক শান্নবদা দিং লিরেননা অঙৌবা মচু অদুগা মেক্সিম ভেসিয়র লাগ্রেবনা অমুবা মচু পায়রগা শান্নরকপদা চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর অদুনা মায় পাকপা ঙম্বদগী পোইন্ট ৩-২দা থোইখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা তরুকশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ইয়ান নেপোমনিয়াচি অমদি নেদরলেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিস গিরিগা লম্বা তৌনখি।

নেদরলেন্দসকী অনিস গিরিনা ঈ এল ও রেটিংদা ২৭৩১দা লৈখিবনি। অদুগা রসিয়াগী ইয়ান নেপোমনিয়াচিনা ২৭৭৮তা থাক খরা হেল্লগা লৈখি।

অহানবা গেম অদু অনিস গিরিনা অঙৌবা মচু পায়দুনা শান্নখি। মদুদা নেপোমনিয়াচিনা অকনবা লম্বা পীরকপদগী গেম অদু দ্রো চৎখি।

অনীশুবা গেমদা নেপোমনিয়াচিনা অঙৌবা মচু পায়দুনা অনিস গিরিগা লম্বা তৌনরকপদা মায় পাকপা ঙম্বদগী ১.৫-০.৫দা হেন্দুনা লৈখি। অহুমশুবা গেম অদু শান্নরোয় অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না মায় পাক্লনবা হোৎনরকখিবা অদু ঙম্নদবদগী দ্রো চৎতুনা নেপোমনিয়াচিনা ২-১দা মাঙজিল থাখি।

মরিশুবা অমদি অরোইবা গেম অদুদা নেপোমনিয়াচিনা অঙৌবা মচু পায়দুনা শান্নরকপা অদুদা অনিস গিরিগী মায়কৈদগী মায় পাক্তবা য়াদবা গেম অমা ওইখি। অদুবু রসিয়াগী শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীরকপা অদু নেদরলেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিস গিরিনা পাউখুম পীবা ঙমখিদবদগী দ্রো চৎতুনা গেম মরি লোইশিল্লকপদা নেপোমনিয়াচিনা ২.৫-১.৫দা মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা নেপোমনিয়াচিগী মায়কৈদগী ফজবা ঙমখি।

রাউন্দ তরুক লোইশিনখিবা অদুদা টুর্নামেন্ট অসিবু শীল্লিবা নোর্ৱেগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় মেগনস কার্লসননা পোইন্ট ৮ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তগা লৈরি। মহাক্কী মথংদা য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নকামুরানা পোইন্ট তরেৎ ফংলগা অনীশুবদা লৈবা ঙল্লি।

অহুমশুবদা ঙরাং অথেংবদা ফ্রান্সকী গ্রান্দমাষ্টর মেক্সিম ভেসিয়র লাগ্রেবপু মায়থীবা পীরম্বা চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর দিং লিরেননা পোইন্ট তরুক ফংলগা লৈরি। লাগ্রেব অমসুং ঙরাং মায় পাকখিবা রসিয়াগী ইয়ান নেপোমনিয়াচি পোইন্ট ৫/৫ ফংলগা লৈমিন্নরি।

তরুকশুবদা য়ু এস এগী ফাবিয়ানো করোনা পোইন্ট ৫ ফংলগা লৈখ্রবা মতুং নেদরলেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিস গিরি অমসুং ইরানগী মশাগী চহী ১৬তা ঙাইরিবা নৌনা মমিং লৈরক্লিবা গ্রান্দমাষ্টর আলিরিজা ফিরোজা পোইন্ট ফংদনা তরেৎশুবা অমদি নিপানশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

# ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসননা প্রো লীগকী অনীশুবা ইদিসন চহী অমা য়েথোকখ্রে

লোজেন, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী): মালেমদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংগী ওইবা টুর্নামেন্টশিং য়েথোকপা অমদি তোকপগী থবক থৌরম কয়া লৌখৎলক্লিবা অসিগী মনুং চন্না ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসননা হৌখিবা চহীদা নৌনা শেমখিবা প্রোফেসনেল লীগ টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা ইদিসন ওইনা হন্দক চহীগী জন্যুৱারী থাদগী জুন থা ফাওবা পাঙথোকপগী সেদ্যুল লৈরম্বা অদু মরক থৎলগা মার্চ থাদা মখা তানা শান্নবা য়াদবদগী লেমহৌরিবা মেচশিং অদু চহী অমা য়েথোক্লগা মথং চহীগী জুন থাদগী হৌরগনি হায়রি।

ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসন্না লৌরকখিবা ৱারেপ অসি প্রোফেসনেল লীগ হোকি টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা লৈবাক ১১গী হোকি ফেদরেসনশিংগা কূপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা লৌখিবনি।

লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়া পোইন্ট ১০ ফংদুনা মরিশুবা থাক্তা লৈরি। ইন্দিয়াগী মথক্তা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা বেলজিয়ম, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং নেদরলেন্দস লৈরি। ইন্দিয়ানা শান্নখিবা মেচ তরুক্তা অনী মায় পাকপা ঙমখি। লোয়ননা মেচ অনী দ্রো চৎলবা মতুং মেচ অনী অমা মায়থীবা নংখিবনি।

ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা চৈথেং পীখ্রবা মতুং লৈবাক খুদিংমক লায়না লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা লোকদাউন থমখিবা অমদি লৈবাক অমগা অমগা চৎথোক চৎশিনগী হীরম খুদিংমক অথিংবা থমখিবনা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা মেচ অমত্তা য়াদনা লৈরক্লিবনি।

ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসনগী মায়কৈদগী শেমখিবা প্রোফেসনেল হোকি লীগ টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ২০২০গা থারগা অনীরকশুবা ওইনা পাঙথোক্কদবা ওইখিবনি। চহীসিগী জন্যুৱারী থাদগী হৌখিবা অদু মার্চ থাদা কোভিদ-১৯না লেপহনখ্রবা মতুং এপ্রিল ১৫দগী হৌনবা শেমখিবা অদু মখা তানা য়াদবদগী মথং চহীগী জুন থা ফাওবা য়েথোকখিবনি হায়রি।

# ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিংগী ট্রান্সফর অমসুং লোনগী অনৌবা কাঙলোন পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিংগী ট্রান্সফর অমদি লোনগী মতাংদা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনশিংনা কুমজা ২০২০-২১দা পায়খৎকদবা কাঙলোনশিংগী অকূপ্পা মরোল ফোঙদোরকখ্রে।

অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জোতিরমোই রোয়না ঙসি থোকখিবা এসোসিএসন অসিগী মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা শান্নরোয়শিংনা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সফর/লোনগী ওইবা থবক থৌরমশিং অদু চহীসিগী জুন৯ দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারকপদা ইন্টর ক্লব ট্রান্সফর/লোনগী ওইনা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন/দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনশিংনা শান্নরোয়শিংগী ট্রান্সফর অমদি লোনগী থবক থৌরমশিং অদু জুন ২০দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্লবা হায়রক্লি।

অমরোমদা, ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ট্রান্সফরগী মতাংদা পায়খৎকদবা অকূপ্পা ৱারোলশিংগী মতাংদা শান্নরোয় অমনা অম্ফাগী ওফিসতা মশামক য়াওনা ট্রান্সফর এপ্লিকেসন ফোর্মগা লোয়ননা মশাগী পাসপোর্ট সাইজ ফোটো অমা য়াওরগা লুপা ২৫০০ গা লোয়ননা লাক্কদবনি হায়রি। শেনফমশিং অদু সেদ্যুল বেঙ্ক অমগী খূত্থাংদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীংদা বেঙ্ক দ্রাফ্ট নৎত্রগা বেঙ্করস চ্যেককী খূৎথাংদা পীগদবনি হায়রি।

ক্লবশিংনা ট্রান্সফর অমদি লোনগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা ইনিদয়াগী ওইনা লৈরিবা সেন্ট্রেলাইজ রেজিষ্ট্রেসন সিষ্টম (সী আর এস) কী খূত্থাংদা অম্ফাগী মায়কৈদগী জুন ৯দগীনা জুন ৩০ ফাওবগী মনুংদা পায়খৎকদবা কাঙলোনশিং লোইরবা মতুং ট্রান্সফর অদু হৌগদবনি হায়রি।



শান্নরোয় অমনা ট্রান্সফর নৎত্রগা লোন চৎপা মতমদা হান্নগী ক্লবশিংগী মায়কৈদগী নো ওবজেক্সন সর্টিফিকেট য়াওগদবনি। লোয়ননা নৌনা য়াওগদৌরিবা ক্লবশিং অদুগা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা ইনবা কোন্ট্রেক্ট পেপর অমসু য়াওগদবনি হায়রি।

লোন/ট্রান্সফরগী ওইনা কোন্ট্রেক্ট পেপর অদুদা শান্নরোয় মশেল, মখোয় মখোয়না হান্না য়াওরম্বা ক্লবশিং অমদি মখোয়না নৌনা য়াওগদৌরিবা ক্লবশিং অদুগী মরক্তা খূৎয়েক পীনগদবনি হায়না অম্ফাগী মেমোরেন্দম অদুদা পল্লি। করিগুম্বা শান্নরোয় অমনা হান্না য়াওরম্বা ক্লবশিং অদুনা মখোয়গীদমক্তা নো ওবজেক্সন সর্টিফিকেট অদু পীবা য়াদ্রবদি অম্ফাদা শান্নরোয়শিং অদুনা নো ওবজেক্সন সর্টিফিকেট পীরক্তবগী মরম অদু মরীক চুম্না ফোঙদোকপা য়াওবা অইবা চেরোল অমা পীরক্কদবনি হায়রি।

# স্পেনগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা লা লীগানা শান্নরোয়শিংবু ত্রেনিংগী মাঙওইননা নুংতিগী কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌগদৌরি

মাদ্রিদ, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা ঙসি ফাওবদা মালেমদা মীওই ২৭,৬৩,৯৯৭ নাহল্লবা মতুং মীওই ১,৯৩,৭৩০ শিহনখ্রবা মতুং পূন্না মীওই ৭,৬৪,০৯৯ ফহন্দুনা লৈরিঙৈ মতম অসিদা স্পেন লৈবাক্লা অনীশুবা ওইনা খ্বাইদগী শোকপা লৈবাক অমা ওইরগসু লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৈবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা লা লীগাগী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিং ত্রেনিং মখা তানা চথ্রবা মতমদা নুমিৎ খুদিংগী শান্নরোয়শিং অমদি কোচশিং কোভিদ-১৯গী টেষ্ট পাঙথোক্কদবনি হায়বগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ফাওবদা স্পেননা য়ু এস এদগী হেক মথংদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা খ্বাইদগী শোকহনবা লৈবাক ওইরি। লৈবাক অদুদা মীওই ২,১৯,৭৬৪ লাইচৎ অসিনা নাহল্লবা মতুং মীওই ২২,৫২৪ শিহনখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মীওই ৯২,৩৫৫না লায়না অসিদগী ফহনবা ঙমখ্রবনি।

অদুবু লৈবাক অদুদা ফুটবোল মশান্নগী ওইনা হান্না লৈরম্বা সেদ্যুল ময়াম অদু লৈবাক অদু শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌরকখিবা মরম্না মখা তানা পাঙথোকপা য়াদনা লৈরকখ্রবা মতুং নৌহৌননা শান্নরোয়শিংদা নত্তনা ক্লবশিং অদুগী ওইবা শেল-থুমগী ফীভম কা হেন্না মেচ শান্নদ্রবা মতমদা শোকচিল্লকপা মরম্না ষ্টেদিয়মশিংদা ভাবক য়াওদনা মেচশিং শান্নহন্নবগী পান্দম থল্লকপা অদুগা ইরোয়ননা লীগ অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা লা লীগাদা শরুক য়ারিবা ফুটবোল ক্লব ২০গী শান্নরোয়শিংনা মখোয় মখোয়গী ফিল্ডদা ত্রেনিং মখা তানা চথবা মতমদা নুমিৎ খুদিংগী টিম অদুবু লমজিং-লমতাক্কদৌরিবা কোচশিংগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌগদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।



নীংশিংবা য়াবদি য়ুরোপকী ওইনা বেলারস লৈবাক্তা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লৈনা লৈনা ভাবক য়াওদনা লৈবাক অদুগী প্রেমিয়র ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট মখা তানা চথুরি।

তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মায়কৈদগী শান্নবগী লম্দা ভাবক য়াওদনা হান্না পাঙথোক্লম্লগা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা লেপহনখ্রবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিং মখা তানা পাঙথোক্লনবা মোত ফোঙদোক্লরকপা মরম্না স্পেনগী লা লীগাসু অকক্লবা মতম অমা লেপ্প্রবসু অথুবা মতমদা লা লীগাগী মেচশিং শান্ননবা পান্দম থল্লকপনি।

স্পেনগী লা লীগানা মেদিকেল ষ্টাফশিংগা লোয়ননা লমায় ২৩ পানবা প্রোটোকোল অমা শেল্লবা মতুং ফুটবোল ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিং অমদি কোচকা লোয়ননা সপোর্ট ষ্টাফশিংনা ত্রেনিং মখা তানা চথবা মতমদা তাঙ্কক মরি থোক্লা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা খুদুম চলহন্দনবগী মওংদা কাঙলোন শেমখিবনি।

স্পেন লৈঙাক্লা লা লীগা অমদি স্পেনিস ফুটবোল ফেদরেসনগা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা অকুপ্পা মরোল নৈনরবা মতুং য়ানবা অমা পুরক্তুনা ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিং ত্রেনিং চথনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

পনবা য়াবদি, লা লীগাগী ক্লব অমা ওইরিবা রিএল সোসাইদেদ ফুটবোল ক্লবনা ক্লব অসিগী ওইবা তোঙাননা শান্নরোয়শিং অদুবু ত্রেনিং চথনবা পায়খৎলকপা খোঙথাং অদু লৈঙাক্লা অথিংবা থল্লকখিবনি।

নৌনা লৈঙাক অমদি স্পেনিস ফুটবোল এসোসিএসনগা লোয়ননা লা লীগাগা য়ানবা পুরক্তুনা শেমখিবা কাঙলোন অদুগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা ক্লব ২০গী শান্নরোয়শিংনা মখোয় মখোয়গী ষ্টেদিয়মদা ত্রেনিং চথবা মতমদা নুমিৎ খুদিংগী কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌথোক্কদবনি হায়বগী অকনবা ৱারোল থল্লকখিবনি।

# ওনলাইন নেসন্স কপ চেছ টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াবু বিশ্বানাথন আনন্দনা লুচিংগদৌরি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী): চহী অসিগী মে ৫দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক তরুক্কী ওইবা য়ু এস দোল্লর ১৮০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা ওনলাইন নেসন্স কপ চেছ টুর্নামেন্টতা মঙাশুবা সীদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী টিমবু বিশ্বানাথন আনন্দনা লুচিংগদৌরি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিদা বিশ্বানাথন আনন্দনা লুচিংলগা শরুক য়াগদৌরিবা অতোপ্পা গ্রান্দমাষ্টরশিং অদুদি ভিদিদ গুজরাথি, পেন্দালিয়া হরেকৃষ্ণ, কোনেরু হম্পি অমদি বি অদিবন অমসুং দ্রোনাভালি হরিকানা রিজার্ভ ওইনা শরুক য়াগদৌরি।

নেসন্স কপ অসিদা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন ওইনবা হায়রুবদা রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ৱ্লাদিমির ক্রামনিকনা য়ারক্তুবদগী টিম অসিগী এদভাইজর ওইনা থৌ পুরগনি।

চাইনানা খ্বাইদগী মকোক থোংনা এভরেজ রেটিং পোইন্ট ২৭১৭তা শরুক য়ারি। য়ুরোপনা ২৬৮৭তা অনীশুবদা লৈরি। রসিয়ানা ২৬৬২দা অহুমশুবা, য়ু এস এনা ২৬৪১দা মরিশুবা, ইন্দিয়ানা ২৬০৫দা মঙাশুবা অদুগা রেষ্ট ওফ ৱর্ল্ড টিমনা ২৫৯৭তা লৈরি। টুর্নামেন্ট অসি দবল রাউন্দ রোবিন শান্নরবা মতুং মকোক থোংবা টিম অনীনা মে ১০দা রেপিদ টাইম ফোর্মেটতা ফাইনেল লম্বা তৌনগদৌরি।

HOME DELIVERY SERVICE FOR CONST. MATERIALS

ꯍꯥꯎꯖꯤꯡ ꯂꯣꯟ / HOUSING LOAN AVAILABLE

(Upto Rs 50 LAKHS 12% P/a)

মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা লৈবা য়ূম তশেংনা শানীংবা অমসুং ইনকম মতিক চানা লাকপা মীওইশিংগী ওইনা হাওজিং লোন পীজরি। Home Repairing, Renovation, Modular Kitchen, Grazings অমসুং Floor Repairing নচিংবগী লোনগী খুদোংচাবসু লৈগনি। Tiles, Granites, Marbles, Sand অমসুং Cements কী Free Home Delivery Service সু ফংবীগনি।

Mobile Nos. # 8787727402 # 8787530036

*Please Contact:-* **L.G. Construction & Materials Company Pvt. Ltd.**
Khagempalli Huidrom Leikai, Imphal West, Manipur

HL/B/6099/23 April to ...

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com